## সনা কোনুংদা ইমোইনু ইরাৎকনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): উত্রা শঙলেন অমদি কংলৈ ইনাৎ শিন্থা অপূনবা লূপনা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৭ তা সনা কোনুংদা ইমোইনু ইরাৎকনি হায়না সনা কোনুং উত্রা শঙলেনগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি লাইশ্রম পোইরৈতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৬তা সনা কোনুংগী লাংফম কনবা নুমীৎ অসি ইবুধৌ পাখংবা, নোংশাবা, য়ুমজাও লাইরেম্বীদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ৭ তনা সনা কোনুংদা ইমোইনু ইরাৎকনি। থা অসিগী ৮দগী ৯ ফাওবা য়ুমজাও লাইরেম্বী য়ুম চঙবা থৌরম পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১০ ৱাকচিংগী ১৫ নি পানবা থানিল নুমীৎ অসিদনা পাখংবনা ফম্বাল কাবা থৌরম পাঙথোক্কনি। ইমোইনু ইরাৎ থৌরম লাকপদা সনা কোনুংনা য়াইফ-পাউজেল পীরি। থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, কংলৈ ইনাৎ শিন্থা অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট মোংজম হেরোজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৭ তা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনগা খুৎশম্নদুনা ইমোইনু ইরাৎ থৌরম কোনুংদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি মপুং ফাহনবীয়ু। ইমোইনু ইরাৎ থৌনি লাকপদা য়াইফ-পাউজেলসু পীরি হায়নসু মখা তারি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ৱাংজিং, জন্যুৱারি ০৫(ঐচ এন এস): শিংজু য়োকখৎপা লূপ (সায়োল)না শিন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং কোদোমপোকপী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্ট কমপ্লেক্সতা হৌজিক চথুরিবা ৫রক শুবা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২০গী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরনা সপোর্ট তৌরগা হ্যুমেন ইন্নিসিএটিভস মণিপুরনা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিকেল, রিমস ইম্ফালগা খুৎশম্নরগা শিন্দুনা ঙসি ভোলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা শিংজু ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিবা মফম দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই পি এস এ জেনরেল সেক্রেটরি কে এস শঞ্জয় মৈতৈনা অথোয়বা মীথুং, শিংজু ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী কনভিনর লাইময়ুম প্রতাপনা থৌরম মপু অদুগা সোসল ৱার্কর কৈশাম কামিনিকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

কেম্প অদুদা হ্যুমেন ইন্নিসিএটিভ মণিপুরগী কনভিনর অমোম জে নিল মৈতৈ, ফেষ্টিভেলগী কনভিনর লাইময়ুম প্রতাপ য়াওনা নুপা-নুপী পূন্না মীওই ৪০না লেম্না ঈ পিরমখি। লোয়ননা ঈ পীরমখিবশিংদা হ্যুমেন ইন্নিসিএটিভ মণিপুরগী মায়কৈদগী এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেট, দোনর কার্দ অমদি টি শার্ট অমমমসু খুৎশিন্নখি।

## নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): থৌবাল মায়কৈগী লাইরিক-লাইশুগী লম্দা মাঙজিল থাবীরম্বা ওজা সামোম বোকুলনা লৈখিদবা চহী ৪৮শুরকপগী নীংশিং থৌরম থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা ইমা পান্থোইবী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রো অমদি হেনাম গম্ভীরনা ময়াই তাঙবলদা লেংশিনবীখি। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা সামোম বোকুলগী মতীক-মগুণ কয়াবু শীংথাখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওজা অসিগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি হায়রি।

## লুপা লাক্ষ ৪ রোমগী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৫(ঐচ এন এস): ইম্ফাল মোরে লম্বীগী লোকচাউদা লৈবা ১৬৫ শুবা টেরিটোরিএল আর্মি অমদি মোরে পুলিসকী টিম অনিনা অককনবা পাউ অমা ফংবদগী লোকচাউগী চীং লম্বী অমদা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তাবদা মোরেরোমদগী অরোনবা লম্বীদা লাকপা কেনবো বাইক অমা চেক তৌবনা হিরোইন পাউদর কেপ ৫, গ্রাম ৬২ লুম্বা অমদি দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট মশিং ৪০০ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাক্ষ ৪ রোম ওইগনি হায়রি। কেনবো বাইক অদু থৌরকপা মীওই অমদি ফাগৎলবা দ্রগশিং অদুগা পুন্না মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে।

## খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি : আর কে নিমাই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): ঠিএটর ক্রোসিং বাউন্দরি হায়বা থীমদা ৫রকশুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল থা অসিগী ১৮ দগী ২৪ ফাওবা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিএটর ফেষ্টিভেল ২০২০ কম্মিটিগী চ্যেরমেন আর কে নিমাইনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা হোট পোট রেষ্টুরেন্টতা পাউমীশিংগা উনবদা আর কে নিমাইনা হায়খি, খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো কলচরেল ট্রষ্টনা শীন্দুনা চহী ৩/৩ লৈরগা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল অসি হন্দক্না মঙারকশুবনি। কুমজা ২০০৭ তগী ট্রষ্ট শেম্লগা কুমজা ২০০৮তগী পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো পোকপা অমদি শিবা থা অমত্তদা লোইনা ওই। জন্যুৱারী ১৮, ১৯৪৬ তা পোক্লগা কুমজা ২০০৭ কী জন্যুৱারী ৩ দা লৈখিদবনি। খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনা প্লে ৪০ ইরম্মী। শুমাং লীলা, রেদিও প্লে কয়া ইখ্রে। কৈশুমশঙদা রাধিকা, অরোনবা মৈরি অনী অসিনচিংবসু পুথোকখ্রে। ফেষ্টিভেল অসিদা ঠিএটর গ্রুপ তরেৎ য়াওরি। অসাম, ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশতগী দ্রামা গ্রুপ অহুম য়াওগনি। মণিপুরদগী মরিনি। কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোক্কনি। মণিপুরগী ফুরুপশিংগী ওইবা কলচরগী প্রোগ্রাম উৎকনি। খুনুং ঈশৈ, নোকফদেনচিংবা কয়াসু উৎকনি। ঠিএটর হায়বসি লিটরেচরগুম্বনি। অৱা-নুংঙাই কয়া য়াওবা অমনি। ঠিএটরগী মহাও লৌবীয়ু। অফ-ফত্তা, অথিবা শেমদোক্লিংবা কয়া পাউতাক পীবীয়ু। ফেষ্টিভেল অসি টিকেট লৌরোই।

ফেষ্টিভেল অসিগী অহৌবা নুমীৎতা বাংলাদেশকী ভানুবিল মঘরগাওন দ্রামা পার্টিগী খায়নবা য়ারোই উৎকনি। অগরতালা, ত্রিপুরাগী লৈকোল মণিপুরী কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী অঙাওবীসে ঐগীদি ইমানি, কংলৈ লিভিং আর্ট উচিৱাগী করি নুংগী নুপী লোঞ্জরুবা, ক্রিএটিভ লিভিং আর্ট রিছার্স সেন্টর লাংমৈদোংগী ঐ মমানি, অসামগী রংতুলি সংস্কৃতি কেন্দ্রগী ক্লেন্দষ্টাইন ফ্লেমস অমসুং অরোইবদা মণিপুর ঠিএটর একাদেমীগী রিফ্যুজি উৎকনি হায়রি।

থা অসিগী ১৮ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী ঠিএটর গ্রুপ কয়াসু শরুক য়ারি। ঠিএটর ক্রোসিং বাউন্দরি হায়বা থীমদা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অসি টিকেট মমল লৌরোই। য়েংনিংবা মীওইশিংনা প্লেশিং য়েংবা য়াগনি। মশক নাইবা ঠিএটর গ্রুপ কয়াসু য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরগী ঠিএটর গ্রুপ কয়াসু য়াওরি হায়রি।

**নিংথম কুম্ফে শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল - তরাহুমদোইনি চনবা**

## মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা *নোংমদি* উৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা ১৬ শুবা নিংথম কুম্ফে শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি তরাহুমদোইনি চনবদা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *নোংমদি* হায়না মিংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন, কোনুং লম্পাক্ত চথরিবা নিংথম কুম্ফে শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা উৎখিবা *নোংমদি*হায়রিবা লীলা অসিগী অইবনা এলাংবম বুধনি। তাকপী-তম্বীবনা নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, লীলা অসিগী ঈশৈ ময়েক্লা কে ঐচইনাওবনা ইবনি। ম্যুজিক দিরেক্টর চিংলেননি।

লীলা অসিগী ৱারীদা মচাশিংবু চাউনবা য়োক্লক্তুনা মী অমমম ওইরক্লে। নুপী থিদুনা মমা-মপাশিংনা মমৌ ফংলে। মচা-মমৌগী মপালনা নুংঙাইগনি খল্লম্বা মমা-মপা মীৎলুগী পিরাংলক্তা হিংবা পুন্সি ওইরে। মনেমবোক্কীদমক মমৌনা সেবা তৌনিংদ্রে। এক্সিদেন্টতা শোক্লবা অপোকপা মমা-মপা য়ুমদা লৈহন্নিংদে। ওল্ড এজ হোমদা থম্নিংই। অপোকপী মমাবু শেন্ননবা থম্বা মীশকপু মীনাই ওইবা মীৎয়েংদা লোয়নদুনা করম্বা মীশকনো থিদে। মীনাইনি খল্লবা মীশক্তুনা এম সী এস পাস তৌরবা মতমদা ওল্ড এজ হোমদা থম্নবা শেম-শারিবা মপাবু য়ুমদা পুখিবা ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা নোংমদি হায়না মিংথোনবা লীলানি। লীলা অসিদা মচাশিংনা নুপী থিরবা মতুংদা মমৌগী ওইখিবা, মমৌনা পুবা মায়কৈদা চৎতুনা মমা-মপাগী নুংশিবা মশক খঙদে। মখোয়-মখোয়গী মরোমদোম হিংবা পাম্বা পুন্সি লীলা অসিদা উৎলি। নৌনা মমা-মপা কায়নখ্রবী মচানা অহল-লমনবু কয়াগী মতিক নুংশিবা, মমা-মপাগী সেবা ফংদ্রবা পুন্সিবু অপোকপা নৎত্রবসু মমা-মপা শক্লা সেবা তৌদুনা নাওকোঞ্জবা পাম্বা মচা কয়া লৈরি হায়বা পাউজেল লোয়নরি। লীলাগী মচল কপ্পা, নোকপনা পুন্দুনা শান্নবা লীলা ওইখি। লীলারোয়শিং মমিং লৈরবা ঙাক্তা ওইবনিনা লীলাগী কেরেক্টর পীরিবশিংদা মপুং ফানা ফোঙদোক্লি। ভিলেনকী কেরেক্টরদা পুদুনা লাকখিবা, লোকেনগী করেক্টরদা অহোংবা লাকহন্দুনা মপুং ফাবা মশক অমদি লোয়নরি। ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা অহলশিংগী থম্মোয়গী পেন্দবা মৈচাক কয়াগা লোয়ননা লৈরিবনি হায়বসি উৎলিবা লীলা অমসুনি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি নুপাদা, কুঞ্জোদা ঐচ ললিতকুমার, গোপালদা এল ইবোচৌবা, তোন্দানবদা দল্লিয়ু লোকেন, য়াইমদা টি ঐচ জেসেফ, অচৌবদা দেনি লিকমাবম, শকহেনদা রাগিতকুমারনি। নুপীগী শক্তম লাংলিবশিংদি, থারিক্তা শঙ্কর নাওরেম, অঙৈংবীদা আর কে সনাতোন, শখিদা ঙানবা মোইরাংথেমনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী ১৪নি চনবদা শিরোই আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *লোক্তাক পাৎকী লিলি* উৎকনি।

## রিমস ফায়রিং ভিক্টিম মেমোরিএল দেগী থৌরম থা অসিগী ৭তা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): রিমস ফায়রিং ভিক্টিম মেমোরিএল ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তা রিমস ফায়রিং ভিক্টিম মেমোরিএল দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না রিমস ফায়রিং ভিক্টিম মেমোরিএল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী পব্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভিনর থাংজম বোয়াইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রিমস ফায়রিং ভিক্টিম মেমোরিএল স্কৱার, রিমস গেটতা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। কুমজা ১৯৯৫ কী জন্যুৱারী ৭ তা রিমস হোস্পিটাল কমপ্লেক্স মনুংদা সী আর পি এফ জৱানশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম ৯ হাৎখি। রিমসতা এম বি বি এস তম্লিবা মহৈরোয় অমা (অরুনাচল প্রদেশতগী মহৈ তম্বা লাকপা), ওটোরিক্সো দ্রাইভর তরুক, রিক্সো দ্রাইভর অমা, সুলাবকী ক্যের টেকর অমা তমথীবা মওংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা, অকি-তুজুংলবা থৌদোক অদুবু নীংশিংলদুনা লৈখিদ্রবা থৱায় মীরেলশিং অদুগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি। মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি।

মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা মীয়ামগী পাঙ্গল লৌশিং থৌনা অমা ওইনা লেপ্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবনি। ইমা-ইচা, ইমা-ইবেল, ইচিল-ইনাও খুদিংমক্লা থৌরম অসিবু শরুক য়াবীয়ু। মৈরা পায়বী লূপশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিংনা মতম চানা লাক্তুনা রিমস ফায়রিং ভিক্টিম মেমোরিএল দেগী থৌরম শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লংথবাল এ সীগী ৱিদোশিংগী অঙাংশিং মহৈ মশিন তম্বগী শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): লংথবাল কেন্দ্র ৱিদো ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৬রকশুবা এদ্যুকেসনল ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স ফোর দি চিলদ্রেন ওফ ৱিদো ওফ লংথবাল এ সীগী থৌরম ঙসি লিলোং চজিং মাইরেনখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লংথবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা ৱিদোশিংদা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামগী মীৎয়েং মখাদা এসোসিএসন অসিনা মচা-মশুশিং লাইরিক তম্বগী শেলগী তেংবাংশিং খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, ৱিদোশিংগী মচা-মশুশিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা মতেং ওইনবা অসিগুম্বা তেংবাং শেল অসি খুৎশিন্নবনি। থৌরম অসিদা ৱিদোশিংনা মচা-মশুশিংসু পুরক্তুনা অফবা ৱাখল্লোন কয়া তাহনবা চঙই। মমাবু নীংবা মচাশিংনা কৈদৌনুংদা লেম্না মাঙলোই। মচা-মশুশিংবু নীংথিনা লমজিং-লমতাকপগা লোয়ননা অফবা মী ওইনবা অমসুং খুন্নাইগীদমক থৌদাং লৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। খুন্নাইগীদমক থবক তৌরক্কদবা অমদি মীয়াম্না ঈকায় খুম্নবা মীওই ওইরক্নবা হোৎনমিন্নবা তাই। অঙাংশিংদা অফবা ৱাখল্লোন পীবা পাম্মী। অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিসু মরুওইনা অঙাংশিংগী ৱাখল অসি অফবা মায়কৈদা লমজিংনবগীদমক পাঙথোক্লিবনি। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্নবগীদমক অফবা অঙাংশিং চঙই। ৱিদোগী মচানি হায়দুনা নীংহন্নিংঙাই করিসু লৈতে। পুন্সিদা শিংনবা অমগা লোয়ননা অফবা মী ওইনবা মাঙলোমদা চঙশিনগদবনি। অফবা মী ওইনবা হোৎনবদা ঈকায়নিংঙাই করিসু লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱাটর রিছোর্স মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, মালেমগী ওইনা ফাওরবা মীওই কয়াগী মনুংদা ওর্ফানসু য়াওরি। ৱিদোগী মচানি হায়দুনা নীংহন্নিংঙাই লৈতে। মায় পাকপা মী ওইনবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ ফজুর রহিম, লংথবাল কেন্দ্র কম্মিটি এল জে পিগী প্রসিদেন্ট বিরেন য়াইমা অমদি লংথবাল কেন্দ্র ৱিদো ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট লৈমপোকপম মেমথোইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লংথবাল এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ৱিদো কয়ানা মচা-মশু লাইরিক-লাইশু তম্নবগী শেলগী তেংবাং অদু লৌনখি।

## ইমোইনু ইরাৎ থৌনি নুমীৎ লাকপদা সিকোনা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): ইমোইনু ইরাৎ থৌনি লাকপদা নুংঙাই-য়াইফবা পীবীরম্বা ওইরসনু হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী প্রসিদেন্ট কোলোমচা অচৌবী খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কংলৈপাক খুন্নাইগী অঙনবা মতমদগী তোপ-তোপ্না নাৎকী ওইবা চৎনরোল অমদি লাইনিং-লাইশোনগা লোয়ননা লাকই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীয়াম্না কংলৈ খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবা উৎলিবনি। লাইবক থীবদি কংলৈ খুন্নাইগী লিশাং শিৎনা চৎনরকপা লাইনিং-লাইশোন, নাৎকী চৎনবীগী লম্বীদা মপান লমগী লাইনিং, ইথিল চঙলকখিবদগী চাউনা শাফু পীরক্তুনা ফীভম অমদা লাক্লি। ইরমদমগী শক্তমদা ওইরক্লিবা কয়া অমদি হৌফম শাৎফম খঙদবগী থাক্তা লৈরক্লিবা অসিদগী কলহৌনবা পান্দমদা সিকোনা নাৎ, চৎনবী ঙাক শেনবা অমদি শন্দোক্তুনা মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা অকনবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

ইমোইনু অহোং অচাওবী ইমাবু থৌনিজবা শেংলবা নুমীৎ লাক্লিবা ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা অসি য়াম্না শেংলবা নুমীৎনি। কংলৈচা ঐখোয়গী ইমোইনু ইরাৎ থৌনিগী থৌরম অসি সোসিও কলচরেলদা য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা অমদি হকচিন্না লৌবা য়াবা অমনি। কংলৈপাক্তা চহী কয়াগী মমাঙদগী ফুঙ্গা-লাইরু ফম্বী ইমা মহাকপু চেৎনা নীরকই। ইমোইনু ইমা মহাক্তি থৌজাল হৈবীনি, অচান মীরাই নাইদবীনি। অচুম্বা পাম্বীনি। অরানববু নমথবনি। মীনম্বা য়াদবনি। ইমা ইরাৎ থৌনিবু কংলৈচা য়ুমথোঙ হুপ্না শেংনা চুম্না পাঙথোকমিন্নদুনা ইমাগী থৌজাল তাল্লসি। পূক্লিং চেৎনা লন-থুম নীহৌসি হায়রি।

## ‘সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমার অথুবদা থাদোকপীয়ু’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি সোটিনকুমার অথুবদা থাদোকপীয়ু হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি নাওরেম রেবিদাসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মমাঙ থাগী ১৯ দা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা সী এ এ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ষ্ট্রাইক চথখি। ষ্ট্রাইক অদুদা পামদবা থৌদোক থোকখিদে। মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল সী পি আইনসু মণিপুর মীয়ামগী খল্লগা পাঙথোকখি। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরিবু ফাজিল্লিবা অসি য়ানিংদে। মীয়ামগীদমক সী এ এগী মায়োক্তা চথখিবনি। সোটিনকুমারনা এ আই এস এফকী থৌ পুরিঙৈদা মণিপুর মীয়ামগী অফবা থবক কয়া তৌরম্মী। সী এ এ অসি নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিং অমদি মণিপুর মীয়াম্না য়াদে হায়বসি লৈঙাক্লা কাউদবা চুমগনি। সোটিনকুমার মতম অমদা এ আই এস এফ অমদি এ আই ৱাই এফতা থৌ পুরিঙৈদা মণিপুর মীয়ামগী লুরবা তানফম কয়াদা মায়োক য়ারগা লাকখি। সোটিনকুমারবু লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা থম্লিবা অসি খোঙফম হন্দোক্তুনা থাদোক্লবা লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌরি। সী এ এগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীশি-মীনা কয়া য়াওখিবশিং নীংশিংলমগনি। সী এ এ য়ানিংই, য়ানিংদে হায়বসি থোইনা হায়নদ্রগসু মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার অথুবদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার অথুবদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীয়ু হায়না লম্লাই লোকল কাউন্সীল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ঈ শ্যামকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৯ দা লেফ্ট পার্টিশিংনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু জেনরেল ষ্ট্রাইক চথখি। মদুগা মরী লৈননা সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু ফাজিনখি। থৌওং অসি সী পি আই লম্লাই লোকল কাউন্সীলনা য়ানিংদে। মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। দিসেম্বর ১৯ দা কৌখিবা সী এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বা লেফ্ট পার্টিশিংগী জেনরেল ষ্ট্রাইক মণিপুরদা দেম্মক্রেটিক ওইবা মওংদা চথখি। য়েলহৌমী কঞ্জনবগী ৱাখল্লোন্দা অমদি তুংগী মীরোলগী খল্লগা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা অতম্ননা পাঙ্গল শোল্লি করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়বগী মতাগুম চথরক্লিবা থৌওং অসি অমুক্তা হন্না লম্লাই লোকল কাউন্সীলনা পেন্দবা ফোঙদোক্লি। মরম অসিনা ফাজিন্দুনা থম্লিবা মীওই অসিবু অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু। সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু ফাজিন্দুনা থম্লিবা অসি য়ানিংদে। মহাকপু অথুবা মতমদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। সী পি আই মণিপুরগী থৌগাই কয়া পুরিবা লুচিংবা অমবু ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়রি।

## আর পি আই অথাৱালে মণিপুর ষ্টেটকী ৱিমেন ৱিং শেমখ্রে, থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): কৈশাম্পাৎতা লৈবা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (আর পি আই) অথাৱালে মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী ওফিসতা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লাকপা নুপীশিং শরুক য়াদুনা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা আর পি আই অথাৱালে মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন ৱিং শেমখ্রে।

আর পি আই অথাৱালে মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন ৱিংগী নৌনা থৌ পুগদবা খনখ্রবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা হৈস্নাম ইন্দু (এলাংবম লৈকায়), ভাইস প্রসিদেন্টতা আর কে ভানুমতি (থোকচোম লৈকায়), ওইনাম বিমোলাতা (খাগেমপল্লি পনখা), জেনরেল সেক্রেটরিদা এন মিনালক্ষ্মী (খাঙবম লৈকায়) নি। সেক্রেটরিশিংদা মথংশিৎনা, সোমোলা (থৌবাল), প্রেমিলা (গেম ভিলেজ), নাজিমা (য়াইরিপোক), ওমিতা (থৌদা ভাবোক লৈকায়), রেবতি (মোইরাং), চাওবা (পিশুম), ত্রেজররদা সেলিনা (থৌদা ভাবোক লৈকায়) অমদি আই টি সেলদা জোলি (থিয়াম লৈকায়) নি। মসিগা লোয়ননা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইগদবশিংসু খনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া অথাৱালে মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মহেশ্বরনা হায়খি, নুপী ওইবীশিংনা খুন্নাইগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌই। ঙসি আর পি আই অথাৱালে মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন ৱিং শেম্বগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। মসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওইশিং য়াওরি। ৱিমেন ৱিং অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। থৌ পুগদবশিং অসিনা থবক থৌদা কয়া ঙসিদগী পুবা হৌরগনি। লমদমসিগীদমক থবক থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা মতমদা মায়পুননা থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইশিংনি। খুন্নাই অসিগীদমক ঐখোয়না কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবা তাই। তুংগী খল্লগা ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না থবক কয়া মায় পাক্লা চঙশিন্দুনা হোৎনরম্বা চঙই। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ। নুপা-নুপী থোং মান্ননা চৎমিন্নবগা লোয়ননা মাঙলোমদা চঙশিনবা খুন্নাই অমগীদমক লেপমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা মাও কৈথেল ফমগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি নহারোল শিন্থা কাঙলুপ ৱাংখৈনা পুন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৭তা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা মাও কৈথেল ফমগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা মাও মীয়াম্না নাগালেন্দদা পোৎচৈ য়োনবদা সাউদর্ন অঙ্গামিনা অথিংবা পীরকখি। চৎথোক-চৎশিন্দা অয়েৎ-অপন পীরকপদগী মাও মীয়ামগী মনা-মশিং য়োনফম লৈরক্তুনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা পোৎলুম অমা পুরকখি। লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, ইপসা, পান্দম, অকোম লূপ, ইপাক, কংলামৈ, কে আই এল, সী এল কে অমদি কে এস এনা মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী মীৎয়েং অমদি ইমোসনল ইন্টিগ্রিটি অমগা লোয়ননা ইকনমিক ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎমিন্নদুনা ইকনমিক ইন্টরদিপেন্দেন্সিগী মরী অমা শেমগৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন অমদা মাওগী লৈহাওদা পুথোকপা পোৎলমশিং অদু ইম্ফালদা পুরক্তুনা য়োনবা হৌখি। মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি শেমদুনা কম্মিটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্পা লৈতনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লমদমশিংদুগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা মাও কৈথেল চয়োল অমদা অনীরক ফম্লকখি। লৈবাকপোকপা অমদি ইরাই নুমীৎতা কৈথেল ফম্লকপগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ৭ তা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি নহারোল শিন্থা কাঙলুপ ৱাংখৈনা শীন্দুনা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা মাও কৈথেল ফমগনি। মাও কৈথেল ফমগদৌরিবা অসিদা ইরৈচাশিংনা লাক্তুনা মাওগী মীয়াম্বু তরাম্না ওকপীয়ু। মাওগী পোথোকশিং অসি লৈবীয়ু। অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

## গুরু নীংশিং মনা ২০২০ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): নিংঙোম্বম লৈরেঞ্জাও সেন্টর ওফ পূংনা শীন্দুনা অহুল্লকশুবা গুরু নীংশিং মনা ২০২০ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি খোংমন জোন ৫দা লৈবা সেন্টর অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা চীফ গেষ্ট, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী এ চিত্রেশ্বরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদ, উচেক্কোন নোংচুপ জেদ পিগী মেম্বর সেরাম নেকেন অমদি খোংমন জি পিগী প্রধান এম নুংশিরৈনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, থৌরম অসি শরুক য়াবা নুংঙাইবা ফাওই। গুরুশিংগী মিংদা মনা কৎপা অসি য়াম্না মরুওই। চিংথংখোম্বা মহারাজ অমসুং নিংথৌরেল কয়াগী হাক্তগী কলচরগী ওইবা শক্তম কয়া লৈরম্লবনি। সঙ্কীর্ত্তন অসি য়ুনেস্কোগী কলচরেল হেরিটেজ দা শকখঙনবা লৈখ্রে। অহল-লমনশিংনা হোৎনবীরম্বা কয়া অদুবু খোঙ্গুল লীদুদা ঈশৈ, জগোয় অমদি লীক্লমশিং মথং-মথং লাক্লগা মালেম অসিদা ঐখোয়বু মশক তাকপা ঙম্লিবনি। লাইওইখ্রবশিংবু ঈকায় খুম্নবা তাই। মীয়ামগী থবক তৌবা মতমদা মচা খায়না থবক তৌবা তাই। ঙসি পীগদৌরিবা গুরু মনা অসি খ্বাইদগী শেংবা মনা অমনি হায়না খল্লি। অহল-লমনশিংনা চৎনবী ঙাক্লা থবক তৌরম্বা অদু নীংশিংসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি এন সী শান্তনা হায়খি, চহী ২/২ কান্নরগা মনা অসি পীবনি। হন্দক্না অহুল্লকশুবনি। পূং, ঈশৈ, জগোয়গী মতাংদা মরুওইনা পূং খক্তগী ওইনা লৌখৎলগা মশক থোকপা অহলশিং চহী ৮০ গী মথক্তা লৈবশিংদা এৱার্দ অসি পীবনি। কছার, বাংলাদেশনচিংবা কয়াদা লৈরিবশিংসু পূংগী কলচর য়োকখৎলক্লি। হন্দক চহী অসিদা লাংমৈদোংদগী ওজা তেম্বা (৯৪) দা নিংঙোম্বম লৈরেঞ্জাও নীংশিং মনা অসি পীবনি। শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দগী চহী ৯৮ রোম শুরবা ওজা ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গীদা অহানবা গুরু নিংঙোম্বম ইবোবী নীংশিং মনা পীগনি। শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫/৫, সাইটেসন অমদি কোকয়েৎ য়াওরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা এন্টি দ্রগ এৱ্যেরনেস দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দা এন্টি দ্রগ এৱ্যেরনেস দ্রাইভ অমা চথখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনাইটেদ ৱি ষ্টেন্দ টু ফাইট এগেনষ্ট দ্রগস ফোর এ দ্রগ ফ্রী মণিপুর হায়বা থীমদা দ্রাইভ অদু চথখিবনি। চিংমৈরোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শীনবা দ্রাইভতা ময়াই কাবা দ্রগতগী লাপথোক্নবা খন্ন-নৈনখি। দ্রাইভ অদুগী শরুক অমা ওইনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা হকচাংদা শোকহল্লকপা কয়াগী মতাংদা ইন্টরেক্টিভ লেকচর অমা পাঙথোকখি। সেসন অদুদা মহৈরোয়শিংনা হংলকপা ৱাহং কয়া অখঙ-অহৈশিংনা পাউখুম পীখি। মীওইবগী হকচাংদা ময়াই কাবা দ্রগনা শোকহল্লকপা হীরম কয়াগী মতাংদা ইন্টরেক্টিভ সেসন পাঙথোক্তুনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি। নহা ওইরিবশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোক্নবগীদমক তৌবা য়াবা হীরম কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা পীরকপা চৈথেংদগী ঙাকথোক্নবগীদমক এৱ্যেরনেস লৈমিন্ননবা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College, Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for

CLASS -IX (BOSEM) & CLASS - X (BOSEM)

Class Commencing on: 20th Jan. 2020 (4:30 p.m. - 7:30 p.m.)

CLASS -XII Arts (COHSEM) & CLASS - XII Sc. (COHSEM & CBSE)

Class Commencing on: 6th April 2020 (4:30 p.m. - 7:30 p.m.)

➡ Form issue : 3rd Feb. 2020
➡ Last-date of admission : 30th March 2020
✱ Van service available
➡ Counselling for Hostelers : 1st, 8th, 15th, 22th & 29th March 2020
➡ To be decleared for list of Hostelers : 2nd, 9th, 16th, 23th & 30th March 2020
➡ Last-date of Hostel admission : 5th April 2020

For inquiry, Pliz. visit 'SANGAI HOSTEL' kwakeithel Ningthemkol

HL-P/5879/6-30jan/1-29feb/2,4mar (alt)